নুপা অমা শিরক্লে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচএনএস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ইন্থরোক চীংদা নুপা অমা শিদুনা লৈরক্লে। লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং ব্রহ্মচারিময়ূম রঞ্জন শর্ম্মা (৫৬) অপোকপা লৈখিদ্রবা বি গৌরচন্দ্র কৌই। মহাক ৱাংখৈ য়োংলান লৈরক্তা লৈবনি।

ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপদা মহাক থা অসিগী হৌখিবা ১৬কী অয়ূক অঙনবা পূং ৩ লোম তাবা মতমদা য়ূমদগী থোকখিবদগী মফম খঙদনা লৈরকপনি হায়রি। ঙরাং নুংথিল পূং ১.৫০রোম তাবা মতমদা পোরোম্পাৎ পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ইন্থরোক চীংগী খোঙ লম্বী মনাক্তা নুপা অমা শিদুনা লৈরে হায়বা পাউ তাবদগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং চঙশিল্লুবদা থিবা খঙদনা লৈরকখিবা রঞ্জন ওইরম্বনি হায়রি।

মফম অদুদা পোরোম্পাৎ পুলিস, ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি কাঙবু অমদি ইগজেক্যুটিভ মেজিষ্ট্রেট য়াওনা কূপ্না য়েংশিল্লবা মতুংদা পুলিসনা লৌখৎলগা ঙসি জেনিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌখ্রে হায়রি।

লুপা লাক্ষ ৯ লোমগী সর্পাগনধা মরাশিং ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচএনএস): ককচিংদা লৈবা অসাম রাইফলসকী কাঙবু অমনা ঙরাং বেরুখুদম খুলদা লোনা য়াদবা মেদিসিন প্লান্ট সর্পাগনধা প্লান্ট রূটশিং ফারে অদুগা মদুবু পুরম্বা মীওই অদুদি নাম্থোক্তুনা চেনখ্রে।

অসাম রাইফলসনা তোঙান তোঙানবা বেগ ৪৫ মফম অদুদা হুন্দাক্লম্বশিং অদু চেক তৌদুনা য়েংবদা মেদিসিন প্লান্ট সর্পাগনধা রূটশিং অদু ফাবা ঙমখিবনি। হায়রিবা মেদিসিন প্লান্ট রূট অসি লুপা লাক্ষ ৯লোমগীনি হায়রি। হায়রিবা প্লান্ট রূট অসি অতোপ্পা লৈবাক্তা ফংদবা ইন্দিয়াখক্তংদা ফংবা পোৎলমনি হায়রি।

ফারবা পোৎলমশিং অদু অসাম রাইফল্সনা পল্লেলদা লৈবা কষ্টমস দিপার্টমেন্টতা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

পেট্রোল অমদি...

লামায় ১গী মখা... মমল হন্থনবা ফিরেপ লৌখিবা অসি টেক্স হন্থহনবগীরা হায়না হংখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খিবদা লৈঙাক্লা মরী লৈনবা লমশিংদা য়েংশিল্লবা মতুং পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল হন্থহন্নবা ফিরেপ লৌখিবনি। অদুমওইনমক টেক্স হন্থব্রা হায়বদুগী মতাংদদি মহাক্লা চপ চাবা পাউখুম পীখিদে।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	86.993410
US Dollar	74.357630
British Pound	101.299706
Australian Dollar	53.039576
Chinese Yuan Renminbi	11.436428
Japanese Yen	0.677181
Malaysian Ringgit	17.546088
Singapore Dollar	54.564075
South Korean Won	0.063271
Saudi Arabian Riyal	19.828701
Thai Baht	2.228664

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	46931.00
Mumbai	–	Rs	47300.00
Delhi	–	Rs	47194.00
Kolkata	–	Rs	47525.00

GAS NEWS

IMPHAL LPG SERVICE
(Home Delivery only)
Ujjwala connection available
BOOKING:13-08-2021
Update Gas Card With Fresh personal photo .
New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30 .
Those who haven't received send to whatsApp no. 9863624773 their form no1. also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL. Encourage online payment. Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjala connection.
M/S BASHIKHONG INDANE
BOOKING UPTO 19/07/21
HOME DELIVERY ONLY...
CONTACT NO. 9089709738, 8794622868
OFFICE TIMING 8.00AM TO 11AM WILL BE DELIVERY FOR 3DAYS.
JRONGMEI SK INDANE WANGOI,
Bking upto 15/6/21
Valid from 11/6/21.
Stk 306,
Timing-6am to 9am.
Home Delivery (Contact no. 8119073029/8974426830)

পম্প স্প্রেয়র য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচএনএস): ঙসি ভারতিয়া কিষাণ সঙ্ঘ, মণিপুর প্রান, বিষ্ণুপুর জিল্লা পরিষদ গ্রাম কম্মিটিগী খাঙেন্বম শামুশাবা, দিনদয়াল কৃষি পুরুস্কার (নোর্থ ইষ্ট জোন-৭ সীদ প্রদক্সন)না শীন্দুনা মহাক্কী শঙ্গাইদা কুম্বী এ সীগী লৌমী মীয়ামদা সবসিদিদা বেট্টরি পম্প স্প্রেয়র ২৪, হেন্দ ওপরেটেদ পম্প স্প্রেয়র ২৬ য়েন্থোকখ্রে।

পম্প স্প্রেয়রশিং অসি লৌমীশিংদা বেট্টরি ওপরেটেদসি মার্কেট প্রাইসতা লুপা ৩,২০০ পীবনি অদুগা লৌমী মশা মশাগী বেঙ্ক একাওন্টতা সবসিদি ওইনা লুপা ১,৭৫০ হাপ্লক্কনি অদুগা নোর্মেল হেন্দ ওপরেটেদ পম্প স্প্রেয়রসিনা মার্কেট প্রাইসতা লুপা ১,৩০০ পীবনি অদুগা লৌমী মশা মশাগী বেঙ্ক একাওন্টতা সবসিদি ওইনা লুপা ৫০০ হাপ্লক্কনি হায়রি।

পি এল এ ১ ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২১ (ঐচএনএস): তেংনৌপলদা লৈবা অসাম রাইফলসকী কাঙবুনা ঙরাং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা এরিয়াদা থী-হুন্বা চথবদা পি এল এগী কাদর অমা ফারে। অসাম রাইফলসনা ফারবা পি এল এ অদু মখা তাবা ৱাহং-পাউহং চথনবা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসতা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

এম পি পি ওফিস মনুংদা দিফেন্দেন্টশিং ...

*লামায় ১গী মখা...*অদু লৌথোকখিবদগী ওফিস প্রেমাইজেস অসি মাঙজৌননা এম পি পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং প্লেন্টিফ ওইরিবা জেনরেল সেক্রেটরিনচিংবদা শীন্নখ্রবনি হায়রি।

দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটকী চেরোল অদু ফংবদগী প্লেন্টিফকী কাঙবুনা এম পি পিগী ওফিসপু ওক্যুপাইদ তৌদুনা মখোয়গী থবক থৌরমশিং চথবা হৌরকখিবনি হায়রি।

লোয়ননা থা অসিগী ১৫দা পাউচে অমদা এম পি পিগী সেন্ত্রেল কম্মিটিগী ন্যুত্রেল বোদিগী মেম্বর অমনা কো কনভিনর টি ঐচ সরতচন্দ্রগী খূথাংদা পার্টিগী মীটিং অমা হয়েং ওফিস অসিদা তৌগনি হায়দুনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফমসু লৈ হায়রদুনা ৱাফম অদুনা পার্টিগী নুংতিগী পাঙথোক্কদবা থবক থৌরমশিংদা শাথীবা প্রিজুদিস থোকহল্লে হায়বগা লোয়ননা এম পি পিগী কন্সটিট্যুসন্দা কো কনভিনর হায়বা পোষ্ট লৈতে হায়বনচিংবা ৱাফমশিং ফোঙদোরকপগা লোয়ননা কেস অসিগী দিফেন্দেন্ট ওইরিবা খোংবান্তাবম সরতচন্দ্র (৩৮) অপোকপা লৈখিদ্রবা কে ঐচ তোমচৌ, খুরাই কোংপাল চীংঙাংবম লৈকায় অমসুং মহাক্কী মীওই অমদি এজেন্টশিংবু পার্টি ওফিসতা চঙবদা অথিংবা পীবিয়ু হায়জরকখিবনি হায়রি।

কোর্টনা কেস অসিগা মরী লৈননা প্লেন্টিফকী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা পীখিবা ওর্দর অমদা কেস অসিগী দিফেন্দেন্টশিং, মখোয়গী মীওইশিং/এজেন্টশিং কোর্টনা সেদ্যুল ওইনা পীরিবা এম পি পিগী ওফিস কমপ্লেক্স অসিদা চঙবদা কেস অসিগী মথংগী নুমিৎ ফাওবগী ওইনা অথিংবা থল্লে হায়খি। লোয়ননা কেস অসিগী দিফেন্দেন্টশিংগী এপিয়ারেন্স অমসুং মখোয়গী রিটর্ন ওবজেক্সন্নচিংবা ফাইল তৌনবগীদমক মেট্টর অসি থা অসিগী ২৪দা অমুক হন্না ফিক্স তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

মীওই ৮ লৈখিদে...

লামায় ১গী মখা... মীশিং ১৭৪৭ শুখ্রে। অদুগা ঙসি লৈখিদবা মীওই ৮ অদুগী মনুংদা মীওই ৬না কো-মোর্বিদিটিজনা মরম ওইদুনা লৈখিদবনি হায়রি।

অমরোমদা, হায়রিবা মতম অসিগী মনুংদা অনৌবা পোজিটিভ কেস ৪৪২ (সী এ পি এফ -২, জেনরেল পোপ্যুলেসন - ৪৪০- নুপা ২০৪, নুপী ২৩৬) থেংনখি হায়রি।

ঙসিগী ওইনা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদুদি ইম্ফাল ইষ্ট ৬৯, ইম্ফাল ৱেষ্ট ১৮৭, থৌবাল ১৮, বিষ্ণুপুর ৪৮, ককচীং ১৭, উখ্রুল ১৮, চুড়াচান্দপুর ১৭, চান্দেল ৫, সেনাপতি ১০, তমেংলোং ১৭, নোনে ৩, কামজোং ১৬ অমসুং কাংপোকপীদগী ১৫নি। ঙসি থেংনখিবা অনৌবা পোজিটিভ কেস ৪৪২ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা পোজিটিভ কেস মশীং ১,১০,৬৫৭ শুরে। অদুগা ঙসি দিসচার্জ তৌখিবা মীওই ৫৯৮ থারগা অপূনবা রিকোভরি কেসশিংগী মশীংনা ১,০৪,৭৭১ শুরে। এক্টিভ কেসনা ৪,১৩৯ লৈবগা লোয়ননা রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৪.৬৮নি হায়রি। ঙরাং খক্তদা মীওই ৬৪৪৯ হীদাক কাপথোকখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা হীদাক কাপথোকখিবা অপূনবা মীশিং ১৪,৭৪,০৫২ (ফর্ষ্ট দোজ- ১১,৭৫,৩৭১ অমসুং সেকেন্দ দোজ - ২,৯৮,৬৮১) শুরে হায়রি।

হীদাক কাপত্রবদি তোলোপ থিংলনি

লামায় ১গী মখা... খুদিংমক থা অসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্কদবনি হায়রি। করিগুম্বা ওর্দর অসি ইন্দদুনা হীদাক কাপ্তুবা ওফিসল/ষ্টাফশিংগী তোলোপতি মথং থা সেপ্টেম্বরদগী হৌরদুনা মখোয়না হীদাক কাপথোক্ত্রিবা ফাওবা পীররোই হায়রি।

শটদাউন তৌগনি : অটসুম...

লামায় ১গী মখা... পুথোক্তুনা খন্নবীনবা অপীল তৌখিবগা লোয়ননা এ দি সীশিংদা হেন্না মপাঙ্গল হাপচিনবগী থবক অসিগী থৌদাং হিল ওটোনোমস কাউন্সিলশিংগী ওইগদবনি হায়রি।

বিল অসিবু শৌগৎতুনা চথগদৌরিবা টোটেল শটদাউন অসি বিল অসি এসেমব্লিদা পুথোরক্তবা য়াবগী ফীভম উরকপদগীনি হায়খিবগা লোয়ননা বিল অসিনা হিল এরিয়াজ কম্মিটি অমসুং ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলশিংদা মখোয়গী মথৌশিং পাঙথোকপদা হেন্না ওটোনোমি পীরগনি। করিগুম্বা বিল অসি পাস তৌরবদি মণিপুরগী হিল এরিয়াশিং অসি কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রোভিজনশিংনা মশক খঙলগনি হায়খি।

ভিক্টিম কম্পেন্সেসনগী মতাংদা...

লামায় ১গী মখা... দি এল এস এ চান্দেলনা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী শখি ৱান ষ্টোপ সেন্টরগা খূৎশম্নদুনা নোংমগী ওইবা লিগেল এৱেয়ার্নেস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা প্রোগ্রাম অদুগী টোপিকনা 'জেন্দর বেজ ভাইওলেন্স-ইটস ইফেক্ট টু দি সোসল দিভেলপমেন্ট' হায়বসিনি। টোপিক অসি পেন্দমিক মনুংদা থোকপা দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সকী রিপোর্ট মশীং হন্থরকপা অমসুং মসিগা মরী লৈননা এদভাইস পীনবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

প্রোগ্রাম অসিদা চান্দেল অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী এন জি ও/সী এস ওশিংগী মীহুৎ অমদি মেম্বরশিং, পি এল ভিশিং অমদি পেনেল লোয়রশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরম অসি হৌদোকপদা চান্দেল দি এল এস এগী রিটেনর লোয়র কে ঐচ জেকি লুসি লমকাংনা শরুক য়াখিবশিংবু তরাম্না ওকখি।

শখি ৱান ষ্টোপ সেন্টর, চান্দেলগী সেন্ত্রেল এদমিনিষ্ট্রেটর টুইথুং রিনচুইপেমনা থৌরম অসিগী নুংগী ওইবা ৱারোল ফোঙদোকখি। মহাক্না চান্দেল অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতা ৱান ষ্টোপ সেন্টরশিংগী থবক থৌরমশিংগী মতাংদা শন্দোক্না তাকখি। কষ্টমরি লোগী মহুত্তা মীয়াম্না লিগেল হেল্প লৌবগী মরু ওইবশিংসু পনখি।

টোপিক অসিগী রিছোর্স পর্সন ওইনা এদভোকেট ব্রহ্মচারিময়ূম সুপ্রিয়ানা ৱা ঙাঙলদুনা হায়, নপীশিংগী রাইটশিং ভাইওলেটতৌবা জেন্দর বেজ ভাইওলেন্স অমসুং অতৈ কলচরেল প্রাক্টিসশিং ঐখোয়গী খুন্নাইদা থোক্লি। করিগুম্বা হায়রিবা থৌদোকশিং অসি থোক্লক্লবদি লিগেল হেল্প লৌনবগী মতেং পাংনবা প্রোসেস চথবগা লোয়ননা দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সকী ভিক্টিমশিংবু আইদেন্টিফাই তৌনবা থবকশিং লৌখৎকদবনি।

অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোরকপদা কষ্টমরি লোশিংনা অয়াঙবা চৈরাকশিং পীরগা তোকপনা ভিক্টিমশিংদা প্রি মেচ্যুওর সেট্টলমেন্টশিং মায়োক্লহল্লি। মরম অসিনা মরম অমত্তদা হায়রিবা থৌওংশিং অসি তৌরোইদবনি হায়খি।

প্রোগ্রাম অসিগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা খন্ন-নৈনবগী শরুক্তা শরুক য়াখিবশিংগী মায়কৈদগী পেন্দমিক মনুংদা ভিক্টিমশিংনা মায়োক্নরিবা প্রোব্লেমশিং থেংননবা থবক থৌরমশিং ৱাৎলে হায়দুনা ফোঙদোরকখি।

অদুম ওইনমক শরুক য়াখিবশিংগী মায়কৈদগী লাকখিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম রিছোর্স পর্সন অমসুং দি এল এস এ চান্দেলগী পেনেল লোয়রশিংনা মতিক চাবা পাউখুমশিং পীখি।

পুথোরকপা য়ারোই : ইপসা...

*লামায় ১গী মখা...*অদুবু কংলৈপাক মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম শাগৎনবগী য়াৎপীরম্বা থৌশিলশিং পূম্নমক অদু অরেম্বদা তাহনগনি। লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা অপূনবগী শক্তমবু কঞ্জনীংবা কাঙলূপ ফুরুপ খুদিংমক্কা বিল অসি পাস তৌদ্রিঙৈদা হান্না কূপ্না খন্নহৌগদবনি হায়খি।

লৈঙাক অমদি লেজিসলেচর খুদিংমক্কসু বিল অসি এসেমব্লিগী ফ্লোরদা খন্নদ্রিঙৈগী মমাঙদা ষ্টেকহোল্দর খুদিংমক্কা হান্না তান্ননবা থৌরাং তৌবীগদবনি। খ্বাইদগী লাইবক থীবদি চীংগী মীয়ামগী মীহুৎ ওইরিবনি হায়দুনা লাকপীরিবা ইলেক্টেদ মেম্বরশিংনা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলূপ ফুরুপশিং অসিবু লৈবাক ঙাকমিন্ননবা অমদি নুংশিননা লৈমিন্ননবা কাঙলোন য়াৎপা বিল পুথোকপগী মহুত্তা মচেৎ মচেৎ থুগাইনবা বিল ওইনা পুথোরকপা অসিনা তুংলমচৎতা শোয়দনা মসিগী মহয় ফংগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, তশেংনা বিল অসিনা ষ্টেট অসিগী য়াইফনবা অমদি কান্ননবা ওইবা তারবদি বিল অসি লোন্না থুপ্না পুথোকপগী মহুত্তা মীয়ামদা পুথোক্তুনা তানবিরমগদবনি। বিল অসিনা ফংনীংলিবা পান্দম অমদি বিল অসিনা থোরক্লিবা তাঞ্জা অসি য়েংলুরগদি চীংগী ইলেক্টেদ লিদরশিংনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবা হৌরক্লবা কাঙলূপ ফুরুপশিং অসিবু নাকপাক তান্নহন্দুনা ইলেক্সনগী খুদোংচাবা লৌনবা মানবা থৌওং য়াওই হায়না ইপসানা লৌই হায়রি।

ইপসানা বিল অসিগী মতাংদা চীংমী ইচিন ইনাও অমত্তা লান্না লৌদে। লাল্লিবদি হিগাইৱা তৌরিবা লিদরশিংনি। মরম অদুনা এসেমব্লিদা মেম্বর ওইবীরিবশিংগী মফমদা ইপসানা অপিল তৌরদুনা হায়, হায়রিবা হু চেল্লবা বিল অসি খন্নবগী মহুত্তা কমদৌনা লৈবাক অসি পূনশিনগদগে হায়বরোমদা ওইনা খন্নবীয়ু।

পাউমীশিংগা উনবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ইপসাগী প্রসিদেন্ট বিরজিৎ তৌরাংবমনা হায়, বিল অসি য়াম্না অরোন অথুপকী ওইবা হান্না প্লান্নিং অমা য়াওবা মানবা শক্তম অমসু উবা ফংই। বিল অসি তান্ননবা অমদি খন্ন-নৈনবগী মতম ইফং ফংলোইদৌরে। মসিনা প্লান মানবা থৌওং অমদা বিল অসি থা অসিগী ১৭তা থাজিল্লকপনি। মরম অসিনা বিল এসেমব্লিদা পুথোকপীদনবা অমসুং খন্ন-নৈনবীদনবা হোৎনবীয়ু হায়রি।

পাউমীগা উনখিবা অদুদা ইপসাগী এদভাইজর চীঙ্খৈ লুৱাংচা, সেক্রেটরি জেনরেল দল্লিয়ু গুনেশ্বর অমদি সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন সনাতোম্বা নোংথোম্বমসু য়াওখি।

য়ুনিয়ন ষ্টেট মিনিষ্টরনা ফুদ প্রদক্ট ৭ লোঞ্চ...

*লামায় ১গী মখা...*অমা থমগদবনি। পোথোক পুথোক্লিবা লন্নাই মীওই অমসুং ক্লষ্টরশিংনা মখোয়গী পোথোকশিং পুথোরকপদা ক্বালিটিদা কমপ্রোমাইজ তৌরোইদবনি হায়খি।

ফুদ প্রোসেসিংগী থবক অসি প্রাইম মিনিষ্টরনা মীৎয়েং চঙলিবা থবক অমনি হায়রদুনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিংদা ফংলিবা মেটরিএলশিং অসি মরু ওইনা চীং অমসুং উমংগী পোথোক ঙাক্তনি। হায়রিবা পোথোকশিং অসি লৈবাক অসিগী মনুং অমদি মপান্দসু য়াম্না পামনৈ। অদুবু অসিগুম্বা মখলগী পোথোকশিং অসিদা সাইন্টিফিক ইন্সক্রিপসন তৌবা অমসুং পোথোক অদুগী মরীক চুম্বা ইনফোর্মেসন হাপ্পা অদুগা ব্রান্দিং অমদি মার্কেটিং তৌবা য়াওনা ট্রান্সপোর্টেসনগী মথৌ তারি হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা মণিপুর ফুদ ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পোরেসন লিমিটেদ অসি মতম খরগী মমাঙদা কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ দিপার্টমেন্টকী মীয়াম্না খঙনদবা সেক্টর অমা ওইদুনা লৈরম্মী। অদুবু ঙসিদি কোর্পোরেসন অসিদা থবক তৌরিবা মীওইশিংগী হোৎনজমন্দগী মীপূম খুদিংমক্কা মসিবু মশক খঙলে। ঐখোয়না প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং চীফ মিনিষ্টরনা মঙলিবা মঙশিং মঙফাওনহন্দ্রিবা ফাওবা হোৎনখিগনি।

ঙসি লোঞ্চ তৌরিবা প্রদক্টশিং অসি হৌগৎলকপদা ঙাইরি। তুংদসু অহেনবা প্রদক্টশিং লোঞ্চ তৌখিগনি । হৌজিক্তি থবক ফংদবগী প্রোব্লেম অসি অচৌবা শীংনবা অমনি হায়রদুনা নহারোলশিংদা থবক পীনবা হোৎনগনি। কোর্পোরেসন অসি শুপ্নতগী লুপা লাখ ১০গা লোয়ননা হৌদোকখ্রবসু হৌজিক্তি তোঙান তোঙানবা থবকশিং পায়খৎপা ঙল্লে। ঐখোয়না হ্যুমেন রিসোর্স য়াওনা ঐখোয়গী লৈজরিবা রিসোর্স পূম্নমক শীজিন্নগদবনি হায়রদুনা প্রাইম মিনিষ্টরগী মেক ইন ইন্দিয়া অমসুং ভোকল ফোর লোকল হায়বা মীৎয়েং অদু থবক্তা ওন্থোক্কদবনি হায়খি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা এম এফ আই সী এলগী মেনেজিং দিরেক্টর পিটর সলামনা ফোঙদোকখিবদা টেক্সটাইলস, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিগী মিনিষ্টর অমসুং কোর্পোরেসন অসিগী চ্যেরমেনগী মীৎয়েং অমসুং লুচিং মখাদা কোর্পোরেসন অসিনা ঘাজিয়াবাদকী কি ক্যু এস গ্লোবেলগা খূৎশম্নদুনা 'ইনক্যুবেসন লেব' কৌবা প্রোজেক্ট অমা পায়খৎপা হৌরে। প্রোজেক্ট অসি লুপা লাখ ১০গী বডজেটখক্তনা পায়খৎপনি। প্রোজেক্ট অসিগী পান্দমনা ওন্ত্রপ্রেন্যুরশিংবু মখোয়গী ৱাখল্লোনশিং থবক্তা ওন্থোকহন্নবা হোৎনবা অমসুং মেক ইন মণিপুরগী শরুক অমা ওইনা মখোয়দা মার্কেট লিঙ্কেজ পীনবা হোৎনবনি হায়খি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা কোর্পোরেসন অসিগী ভাইস চেরমেন কে সরতকুমার, মরী লৈনবা ওফিসলশিং লৈ লৈ ফুদকী মেম্বরশিং, এ এম আই ফুদ প্রদক্টস অমসুং ভেদাম এগ্রো এন্টরপ্রাইজেসকী মেম্বরশিংসু শরুক য়াখি।

ইমালোল চাওখৎনবা হোৎনসি ...

লামায় ১গী মখা... তমহল্লগনি। ক্লাস এলেবেনদগীদি মহৈরোয় অদুনা তম্লকপা ভোকেসনেল এদ্যুকেসন অদুদগী মহাক্না চান্নগদবা অমা খল্লগা থা ৬কী ওইবা ইন্টর্ন তৌহনগনি। মসিদা ইন্সেন্টিভসু ফংগনি। ভোকেসনেলগা লোয়ননা আর্টিফিসিএল ইন্টলিজেন্স কয়া ক্লাস সিক্সতগী হাপচিল্লক্লগনি। মসিনা দিজিটেল ইন্দিয়া, স্মার্ট ইন্দিয়াগী ৱাখল্লোনশিং অসি হৌরক্লিবা মহৈরোয়শিংদা মঙাল ফংহনগদৌরিবনি। এন ঈ পি ২০২০ অসি পুথোকখ্রবসু কোভিদ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা মপুং ফানা চৎনবা ঙমদনা লৈরি। অদুমকপু পোলিসী অসি নোলেজদা য়ুম্ফম ওইবা নেসন অমা শাগৎলক্নবগীদমক পায়খৎলকপনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এস রাজেননা হায়খি, মণিপুরগুম্বা অপীকপা ষ্টেট অমদগী এদ্যুকেসনগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট হাপ্পীরকপা অসি থাগৎনিংঙাইনি। এদ্যুকেসন হায়বসি খুন্নাই অমগী য়াম্না মরুওইবা শরুক অমনি। মণিপুর লৈঙাক্লসু ষ্টেট অসিদা এদ্যুকেসনবু হেন্না চাউখৎহন্ননবা লৌখৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং লৌখৎলি। নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসী মপুং ফানা চৎনহন্ননবগীদমক হীরমসিগা মরী লৈনবা সব-কম্মিটি কয়া শেমখ্রে, এৱেয়ার্নেস কয়া পাঙথোকখ্রে। লৈঙাক অসিনা ষ্টেট অসিগী হৌরক্লিবা নহাশিংদা এদ্যুকেসনগী মঙাল নীংথিনা ফংহন্ননবা হোৎনবা য়াবশিং হোৎনরি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি।

ব্লেক্তগী হার বেগ অমদা লুপা ১,২০০দা ...

লামায় ১গী মখা... মতমদ লৌমীশিংগী অৱাবসি খঙবীদুনা মথৌ তাবা হারশিং পীবীনবা মহাক্না লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

কুম্বী এ সীগী মনুংদা লৈরিবা লৌকোলশিংগী মনুংদা হন্দক্তা য়াম্না থেংনা লৌ পান্নখিবা লৌকোলশিং হায়বদি খজিং খোম্বী লৌকোল, সন্দেন লৌকোল ৱাঙু নোংদাখোং লৌকোল, ৱাঙু মনিং সাবল লৌকোল, তেরাখোং লৌকোলনচিংবশিংদি লৌ পরি ১,৫০০ হেনবগী লৌফম অসিদদি হার অথুবা মতমদা চাইহৌদ্রবদি মহৈ চাবা ফংলোইদবগী ফীভমদা লৈরগনি হায়না কুম্বী কেন্দ্র প্রোগ্রেসিভ ফার্মর এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট সনসম দিনেশনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরক্লি। অমরোমদা, ৱাঙুগী থুমখোং লৌকোলদা লৌ উরিবা শুগনু এ সীগী মনুং চন্না লৈবা লৌমীশিংনসু অথুবা মতমদা হার ফংহনবীননবা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি। লৌকোল অসিদা লৌ উরিবা থৌদাম ধমেননা ফোঙদোরকপদা, শুগনু এ সীগী মফম খূদিংমক্তা অহানবা তাঙ্কক্কী ওইনা এ সী অসিগী এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা লৌমীশিংদা হার (য়ুরিয়া) ফংহনখ্রবসু হারগী অৱাৎপা কয়াদি লৈরি। লৌমীশিংনা মথৌ তাবা হারগী অৱাৎপা অসি লৈঙাক অসিনা লৌমী মীয়ামগী খনবীদুনা অথুবদা পীবীননবা আপীল তৌজরি। লৌমীশিংনা শেল য়াম্না চঙনা অমদি ৱানা উরিবা লৌফমশিং হৌজিক হার চাইহৌদ্রবদি ফৌথোকসু হন্থরগনি। লৌমীশিংনা উরিবা ফৌশিং অসিনা এম এল এ, মিনিষ্টর, ব্যুরোক্রেট ওফিসর য়াওনা মীপুম খূদিংমক্না চাগদৌরিবনি। মরম অসিনা থারিবা ফৌশিং অসিদা হার চাইদবদগী ফৌ ফৎতনা লৈরিবা অসিদা লায়না-তীন্না কয়া তাশিল্লকপনা অমুক্তা হেন্না লৌমীশিংগী নীংবা কায়নরে। মতম থেংজিল্লক্লবনিনা হার চাইদ্রবদি মহৈ চাবা ফংলরোই। হন্দক্তা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসর, থৌবাল অমসুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টতা এ সী মরি লৈবগী মনুংদা হার (য়ুরিয়া) পীনবগী এলোকেসন থোকপদা শুগনু এ সীগী য়াওহল্লক্তবসি এ সী অসিগী লৌমীশিংনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই। শুগনু এ সীগী লৌমী মীয়ামসু অতোপ্পা এ সীশিংদা লৈরিবা লৌমীশিংগা চপ মান্ননা হারগী মথৌ তারিবনি। মতুংদদি অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি মরী লৈনবশিংনা অমুক হন্না তৌবীগনু হায়নসু মহাক্না ফোঙদোরক্লি।

সেপ্টেম্বর ৬ ফাওবা নাইট কর্ফিয়ু ...

লামায় ১গী মখা... সেন্টরদা পুরক্কদবনি। অদুগা হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী হীদাক মশীং য়াম্না কাপথোক্লবা, কন্টেক্ট ট্রেসিং অমসুং টেষ্টিংগী থবকশিং অহেনবা ম্যেন পৱার, মোবিলিটি সপোর্ট অমসুং আই ঈ সী এদভোকেসিগা লোয়ননা পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

ঙসিগী ওর্দর অসিগী মতুংইন্না হান্না কোমথোক্তুনা লাকপা এক্টিভিটিশিংগী মথক্তা অনৌবা ওইনা কোমথোক্লবশিংদি থাঙ্গাল অমসুং পাওনা কৈথেলগী দুকানশিং, গল্লিশিং অমদি বিল্ডিংশিংগী মরক্তা লৈবা চৎথোক চৎশিন য়াবা লম্বীশিংগী দুকানশিং য়াওদনা নিংথৌকাবা নুমিৎতনা থঙ্গাল কৈথেলগী ফিরোল, খোঙউপ, ষ্টেস্নরি, স্পোর্টস, কোল-লিক, ক্রোকরি, ইলেক্ট্রিকেল, পেন্স, মেট্রেস অমসুং কার্পেট, ফর্নিচর, এল্যুমিনিয়ম, কন্সত্রক্সন মেটরিএল অমদি প্লাই ৱুদ য়োনবা দুকানশিং হাংবা য়ারগনি। নুমিৎ অসিদনা পাওনা কৈথেলগী ওইনা লগেজ অমসুং বেগ, ষ্টেস্নরি, জেল্লরি, কোসমেটিক, ফোটো, সাইকল, গ্লাস, এন্দ প্লাই, ফিরোল য়োনবা দুকানশিংগীনা পাওনা কৈথেলগী নোংপোক থংবা শরুক্তা ফম্বা দুকানশিং, দ্রাই ক্লিনরশিং, মেট্রেস অমসুং কার্পেট অমদি ফর্নিচর য়োনবশিং হাংবা য়াগনি হায়রি।

লৈবাকপোকপা নুমিৎতনা থঙ্গাল বজারগী ওইনা কোললিক, ইলেক্ট্রোনিক্স, কম্প্যুটরস, মোবাইল দুকান সর্ভিসিংগী য়াওনা, ৱিভিং য়র্ন, মোটোর পার্ট, টায়র, বেটরি, হার্দৱ্যের, সেনিটরি ফিটিং, টাইলস অমসুং মার্বলগী দুকানশিং হাংবা য়াগনি। নুমিৎসিদনা পাওনা কৈথেলগী ওইনা মফম অসিগী মনিং থংবা শরুক্তা লৈবা ফি য়োনবা দুকানশিং, খোঙউপ, ৱিভিং য়র্ন, কম্প্যুটর, মোবাইল সর্ভিস সেন্টর, ইলেক্ট্রোনিক্স, স্পোর্টস, আই গ্লাসেসনচিংবগী দুকানশিং হাংবা য়ারগনি হায়রি। ওর্দর অসিগী মতুংইন্না থাঙ্গাল অমসুং পাওনা কৈথেলদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা হাংবা য়াবগী অয়াবা পীরবা দুকানশিং অসি য়ূমশকৈশা অমসুং ইরাই নুমিৎতসু চপ মান্ননা হাংবা য়াগনি অদুগা কৈথেল অনীসিদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা হাংবা য়াবগী অয়াবা পীরবা দুকানশিং অসিনা শগোলশেন অমসুং থাংজ নুমিৎতসু চপ মান্ননা হাংবা য়ারগনি হায়রি।

অতোপ্পা হাংবা য়াবগী অয়াবা পীরবশিংনা কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়রশিং ঙাক্লগা অমসুং লৌখৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলগা রাইস মিল অমসুং বেকরিশিং হাংবা য়ারগনি। পাওনা অমসুং থাঙ্গাল কৈথেলগী মপান্দা লৈবা কন্সত্রক্সন মেটরিএল, হার্দৱ্যের, ইলেক্ট্রিকেল আইটেম, সিমেন্ট, ষ্টেস্নরিনচিংবগী দুকানশিংনা অয়ূক পুং ৭তগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা হাংবা য়াগনি। অদুম ওইনমক সোপ্পিং মোলশিংদি হাংবা য়াখিরোই হায়রি। গাড়ী পূম্নমক্কী ৱর্কশোপশিং কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়রশিং ঙাক্লগা অয়ূক পুং ৯দগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা হাংবা য়াগনি। লোকল ভেজিটেবল ভেন্দরশিংগী ওইনদি নুমিৎ খুদিংমক্তা অয়ূক পুং ৭তগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা ফম্বা য়াবগা লোয়ননা মখোয় অমগা অমগগী মরক্তা য়ামদ্রবদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা পীবা ফুট ৬ লাপ্পবা মফমশিংদা ফম্বগা লোয়ননা মতম চুপ্পদা ফেস মাস্ক উপকদবনি হায়রি। লোকল গ্রোসরি সোপশিংসু অয়ূক পুং ৭তগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা হাংবা য়াবগা লোয়ননা ঙা, পোলট্রি অমদি পোলট্রি প্রদক্টশিং য়োনবা দুকানশিংনা অয়ূক পুং ৮দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবা হাংবা য়াগনি। অদুগা শঙ্গোম অমসুং শঙ্গোমগী পোথোক য়োনবা দুকানশিংনা অয়ূক পুং ৬তগী পুং ৯ ফাওবদমক হাংবা য়াগনি হায়রি।

ওলিম্পিয়নশিং সেলেব্রিটি ওলহন্নীংদে : বিরেন...

লামায় ১গী মখা... মণিপুরদগী শান্নরোয় ৫না শরুক য়াবা ঙমখিবা অসি য়াম্না চাওথোকচনিংঙাইনি। মণিপুর কা হেন্না ইনাকখুনবা ষ্টেট অমা ওইদ্রবসু শান্নরোয়শিংগীদমক্তদি মতম পুম্বদা লেপ্পি হায়খি।

লৈঙাক্কী মায়কৈদগী শান্নরোয়শিং অসিদা পাংবা য়াবা মতেং পাংদুনা লাক্লি। সঙাইথেলদা হৌজিক ওলিম্পিয়নশিংবু ঈকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা মণিপুর ওলিম্পিয়ন পার্ক অমা শেমগৎ শাগৎপগী থবক চথরি। নবেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা পার্ক অসি শঙ্গনবা পান্দম থম্লি। মসিদা নত্তনা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টশিংদা হোকিগী এষ্ট্রো টর্ফশিং থম্নবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে। খুমন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদসু ফ্লদ লাইটিং সিষ্টম হান্নানা ইনষ্টোল তৌখ্রে। স্পোর্টস ইনফ্রাষ্ট্রকচর চাওখৎহন্নবগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা থাক্তা হোৎনরি হায়খি।

থৌরমদুদা গেষ্ট ওফ ওর্নর ওইনা শরুক য়াখিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (জল শক্তি এন্দ ফুদ প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রিজ), গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া, প্রহ্লাদ সিংহ পটেলনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরনা ঙসিদি লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরকপদা অচৌবা মতেং পাংলি। শান্নরোয়শিংনা মখা তানা থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনদুনা তুংদা লাক্কদবা টুর্নামেন্ট কয়াদসু মায় পাক্লবা হোৎনগদবনি। শান্নরোয় অমা ওইনা খ্বাইদগী মথৌ তারিবদি কম্পিটিসন মনুংদা মহাক্কী খ্বাইদগী হৈজবা অদু উথোকপনি। ঙসি মণিপুর লৈঙাক্না ওলিম্পিয়নশিংবু ষ্টেটকী থাক্তা ওকপগী থৌরম পাঙথোক্লিবা অসিনা মতুং তারকপদা ওলিম্পিয়নশিং অসি কা হেন্না হোৎননিংবগী ৱাখল ফাওহল্লগনি অমদি ইনখৎলক্লিবা শান্নরোয়শিংনসু লৈবাক অসিগী মিংচৎ পুরক্লবা হোৎননিংবগী ৱাখল হেন্না পোকহল্লগনি হায়খি।

থৌরমগী মখা চথরকপা ওইনা প্রসিদেন্টকী ৱারোল পীরদুনা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপনা ফোঙদোকখিবদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী শান্নরোয়শিংগীদমক অহেনবা মতেং পাংনবা হোৎনরি অমদি অনৌবা পোলিসি কয়া শেমদুনা হেন্না মতিং লৈবা শান্নরোয়শিং পুথোক্লবা হোৎনরি। মণিপুরদা লৈরিবা শান্নবগা মরী লৈনবা এসোসিয়েসনশিংনা ৱাখল্লোন মান্নদবা মওংদা থবক তৌরিবা অসি লাইবক থীবনি। লমদম অসিদা হৌগৎলক্লিবা নহাশিং অসি শান্ন-খোননববু থৱায় য়াওজবা ঙাক্তনি। মরম অদুনা অচৌবা তান্নদুনা অনী থোকপগী ৱাখল থাদোক্লুগা অফবা শান্নরোয় পুথোকপদা হেন্না মায় ওনশিল্লগদি লাক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমসতা লমদম অসিদগী শান্নরোয় কয়ানা শরুক য়াবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়খি।

শান্নরোয়শিংবু পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা লৈঙাক্লা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতা জোইন্ট দিরেক্টরগী পোষ্ট অহুম, দিপ্যুটি দিরেক্টরগী পোষ্ট ৫ অমদি এসিষ্টেন্ট দিরেক্টরগী পোষ্ট ১০ নৌনা ক্রিয়েট তৌখ্রে। হায়রিবা পোষ্টশিং অসি ওলিম্পিক গেমসতা মেদল ফংলক্লবা মীওইশিংদা পীননবগীদমক শেমখিবনি হায়খি।

থৌরমগী মখা চথরকপা ওইনা তরাম্না ওকপগী থৌরমদা শরুক য়ারিবা ওলিম্পিয়ন ৫ গী মনুংদা খ্বাইদগী অহল চহী য়াম্লবী এম সী মেরিকোমনা মহাক্তি চহী য়ামশিল্লক্লবনিনা কা হেন্না মঙোন্দগী আশা তৌনিংঙাই লৈত্রে। অদুম ওইনমক ইনখৎলক্লিবা ওলিম্পিয়ন মরি অমদি শান্নবু পামজবা লমদম অসিগী চহী নৌরিবশিংনা থৱায় য়াওনা হোৎনদুনা লমদম অসিগী মিংচৎ পুরক্লবা হোৎনখিগনি হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা শান্নরোয় ৪- পুখ্রম্বম সুশিলা, নিলকান্ত শর্ম্মা, এস মিরাবাই অমদি লিকমাবম সুশিলানসু মতুং তারকপা টুর্নামেন্ট অমদি চেম্পিয়নশিপশিংদা অকনবা মওংদা হোৎনদুনা লমদম অসিগীদমক মীংচৎ পুরকপা ঙম্লবা হোৎনখিগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা ষ্টেট লৈঙাক্না হোকি প্লেয়র নিলকান্ত শর্ম্মদা লুপা লাক্ষ ৭৫গী কেশ ইন্সেন্টিভ এৱার্দ অমদি ৱাই এ এস দিপার্টমেন্টতা দিপ্যুটি দিরেক্টরগী এপোইন্টমেন্ট লেটর খূৎশিন্নখি। চপ মান্ননা পুখ্রম্বম সুশিলা চনুদসু লুপা লাক্ষ ২৫গী ইন্সেন্টিভ এৱার্দ অমদি ৱাই এ এস দিপার্টমেন্টতা এসিষ্টেন্ট দিরেক্টরগী এপোইন্টমেন্ট ওর্দর, এম সী মেরিকোমদসু লুপা লাক্ষ ২৫ গী শেনফম অমদি জ দোকা এল সুশিলাদসু লাক্ষ ২৫ গী শেনফম অমদি মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টতা ইন্সপেক্টর পোষ্টতা প্রামোসন পীবগী ওর্দর খূৎশিন্নখি। মসিদা নত্তনা মণিপুর অমসুং লৈঙাক অসিগী ওইনা অমত্তা ঙাইরবা ফোরেন ক্লবতা ইহান হান্না শান্নরিবী নুপী ফুটবোল্লর ঙাঙোম বালাদসু লুপা লাক্ষ ৩০ পীবদা ষ্টেট কেবিনেটনা অয়াবা পীরে হায়দুনা লাউথোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার, কেবিনেট মিনিষ্টরশিং-টি ঐচ বিশ্বজিৎ, অৱাংবৌ ন্যুমাই, এস রাজেন, ও লুখোই, টি ঐচ সত্যাব্রত, দেপ্যুটি স্পিকর কে রোবিন্দ্রো, মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ রাধেশ্যাম, হোকি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট গ্যানেন্দ্রো নিংঙোম্বম, জিম্নাষ্টিক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী জেনরেল সেক্রেটরি ডা. এস সান্তিকুমার, হান্নগী ওলিম্পিয়নশিং পি নিলকমল, ক্ষেত্রিময়ূম থোইবা, কে ঐচ তোম্বী, এন জি সোনিয়া অমসুং কে চীংলেনসানাসু শরুক য়াখি। থৌরমগা মরী লৈননা ওলিম্পিয়নশিংগী কোচশিংদা মেমেন্টো পীদুনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ঈকায়খুম্নবসু উৎখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা এসিয়ন গেমসকী বোক্সিং মশান্নদা গোল্ড মেদল লৌদুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকখিবা ঙাঙোম দিঙ্কোনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অদুবু থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা মীয়াম্না অৱাবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা মিনট ১ তুমিন্না লেপখি।

ꯁꯕꯁ꯭ꯀ꯭ꯔꯥꯏꯕ ꯇꯧꯕꯤꯌꯨ ꯃꯤꯇꯩꯌꯦꯡ ꯇꯥꯕꯤꯌꯨ

সবস্ক্রাইব তৌবীয়ু মীৎয়েং তাবীয়ু

"CINE TV MANIPUR"

FILM FORUM MANIPUR অমদি AMFIMPA গী মীৎয়েংগা লোয়ননা শন্দোক্লিবা CINE TV Channel অসি ISTV গী Pay Channel SD-112, HD-125 অমদি IMPACT TV গী Basic Channel SD-111, HD-705 তা উবা ফংবীগনি। মণিপুরী ফিল্মগা মরী লৈনবা অমদি লমদম অসিগী আর্ট এন্দ কলচরগী অখন্নবা থৌরম কয়া শন্দোক্লিবা চেনেল অসিবু অদোমগী LCO শিং উনবীদুনা ঙসিমক সবস্ক্রাইব তৌবীরগা মীৎয়েং তাবীয়ু। অনৌবা থৌরম কয়াসু হাপচিনবগা লোয়ননা লমদম অসিগী ফিল্ম চাওখৎনবগী পান্দমদা অনৌবা চেনেল হাংদোক্তুনা অথুবা মতমদা Film Premiere Show উৎনবসু হোৎনজরি।

Cine TV Manipur. **Cine TV Manipur.**

HL/P/9386-21-22